# থাঙ-তা হায়বসি ঐখোয়গী ইপা-ইপুনা থম্বীরম্বা পুন্সিরোলগা মরী লৈনবা মশান্না অমনি ঃ মোইরাংথেম রাজেন

## থাঙ-তাদা মিৎয়েং অমা

রত্নেশ্বরি গোশ্বামী



মোইরাংথেম রাজেন
থাঙ-তাগী গুরু (পাহুলাশি)



*থাঙ-তাগী শান্নরোয়শিংগা লোয়ননা গুরু রাজেন (পাহুলাশি)*

ইম্ফাল, জুলাই ১১ ঃ

মণিপুরীশিংগা শাগোন্নদুনা লাকপা মশান্নশিংগী মনুংদা থাঙ-তা হায়বসিসু অমনি। মমাঙঙৈদগী হৌনা মীতৈশিংগা তৎন-থানবা লৈতনা শান্নরকপা গেম মখল কয়া অমা লৈরি। শগোল কাংজৈ, খোঙ কাংজৈ, মুক্না, শরিৎ-শরাৎ, থাঙ-তাগী মশান্নশিং অসিগা লোয়ননা ফুরুপ অসিবু তুং কোইনা ঙাক শেন দুনা থম্মনবা অকুপ্পা শাজেল কাঙলোনশিংসু ঐখোয়গী অহল লমনশিংনা চেকশিন্না থম্বীরম্মী। অসিগুম্বা ইন্দিজেনিয়স গেমসশিং অসি শুপ্পগী মীওই খরখক্না মাঙখিদনবা ঙসিসু কুপ্পা শেন্নরি।

থাঙ-তাবু চেকশিন্না য়োকখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌবিরিবা মীওই অমা ঙসি উনজরুই। ক্বাকৈথেল ময়াই কোয়বীদা লৈবা পাখঙবা হুয়েন লাল্লোং শিন্দমশঙগী গুরু (প্রিন্সিপাল) ওইনা লৈবিরিবা মোইরাংথেম রাজেন্না করম্না থাঙ-তা পাল্লকখ্রিবনো? লোয়ননা মশান্না অসি করিদগী য়োকখৎনীংবগী ৱাখল পোল্লকখ্রিবনো হায়বগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়া অমসু ফোংদোকপীরকখি।

মোইরাংথেম রাজেন কুমজা ১৯৬২ গী জানুৱারী থাদা ক্বাকৈথেল ময়াই কোয়বী মমাঙ লৈকায়দা লৈবা মোইরাংথেম নীলমনি অমদি মোইরাংথেম ওংবী ইনাকখুনবীগী মপারী ওইনা তাইবঙদা খোঙদারকখি। অমরোমদা শান্ন খোৎনবগী মগুনশিংগা লোয়ননা পোল্লকখিবা মীওইদি মহৌশানা মতাং চাবদা অদুমক য়াকাইহল্লকই। মশামক্না শান্নবা হৌরকপগী পাউদম পীরদুনা পাখঙবা হুয়েন লাল্লোং শিন্দমশঙগী (পাহুলাশি) গুরু মোইরাংথেম রাজেননা অহানবা ওইনা অসুম্না হায়বীরকখি, অঙাং ওইরিঙৈদগী ঐঙোন্দা শান্ননিংবগী ইহুল অমদি অদুমক য়াওদুনা লাকখি। ঐহাক্না অহানবা শান্নজরকপা গেমদি ফুটবোললনি। স্কুল তম্লিঙৈদা মিনি বোইজগী থাক্তা গোল কিপ্পর ওইনসু শান্নজরকখি। অদুবু ১৯৭৭-৭৮ কী মতমদগীদি থাঙ-তা রোমদা ঐহাক মিৎয়েং থল্লকখ্রে।

মণিপুরদা থাঙ-তাগী অকনবা ঈহৌ অমা লাকখিবসিমক্তি পাওনা কৈথেলদা লৈবা উষা হোলদা ব্রুশলিগী ফিল্ম 'ইন্টর দ দ্রেগোন' লাকখিবদগীনি। হায়রিবা ফিল্মসি হেক য়ৌরকখিবদগীদি লমদমসিগী ওইনা থায়নঙৈদগী লৈজরকপা মশান্না কয়াসু তপ্না তপ্না হিঙ্গৎলকপগুম তৌখি। ফুরুপ অসিগী ওইনা মমাঙঙৈদগী লৈজরকপা ফুন-কাঙলোন কয়াসু মথং মথং হিঙ্গৎলকখি। ষ্টেট অসিগী অনকপা অরাপ্পা মফম কয়াদা মার্সেল আর্টকী স্কুল কয়াসু হায়রিবা মতমসিদগী মথং মথং লিংখৎনরকখি। নাইন্টিন সভেন্টিজগী লোইরমদাই মতমসিদা মতম শাংনা শিথবগুম লৈরুবা থাঙ-তা অসিসু নহাশিংগী মরক্তা পাম্নবা হেঙ্গৎনরকখি।

কুমজা ১৯৭৭/৭৮ গী মতমদুদা ঐহাকসু লাইবক ফদুনা থাঙ-তাগী, মুক্নাগী, শরিৎ-শরাৎকী ওজা ময়াম অমা থেংনবা ফংহৌখি। থাঙগী-তাগী, মুক্নাগী তোঙান তোঙানবা কাঙলোন কয়া খঙবা ওজাশিং অসি মতম অমদদি 'হুলা' দা লোইনা পুল্লম্মী। মরম অদুনা ওজা গুরু কয়াদগী থাঙ-তাগী অকুপ অকুপ্পা কাঙলোনশিংসু তম্বা ফংহৌই। শক্নাইরবা ওজা খরগী মিং পঞ্জরবদা লৈখিদ্রবা পাবুং নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র, ওজা সিনাম দেবদত্ত, ওজা খাইদেম মোমোন, লৈখিদ্রবা ওজা ঙাঙোম বীরজিৎ, ওজা কহ্নাই, তৌবুলদগী ওজা ইবেতোম্বী (মুক্না), লৈখিদ্রবা ওজা মৈকাম বীহারি, খাগেম্পল্লিদগী ওজা মনিকচান্দ (থেঙ্গৌ তম্বীরকখিবা), শগোলবন্দ বীজয়গোবিন্দদগী ওজা অরাম্বম ইবোমচা... অসিনচিংবনি।

ওজাশিং অসি মশা মশাগী তোপ তোপ্পা মগুন কয়া লৈজবা, অহল-লমন, ওজা-গুরু কয়াদগী তাশিন-খোমজিলহৌবা কাঙলোন কয়া পায়জবা মীওই ঙাক্তনি। ওজাশিং অসিগী মনুংদা অনী পুনবা য়াদবা কয়াসু য়াওই। অদুবু কুমজা ১৯৭৭/৭৮ কী মতমদুদদি অদুগুম্বদুসু কয়া লৈখিদে। অদুনা থাঙগী, তাগী, মুক্নাগী ফজবা টেক্নিক-টেক্টিস কয়া ঐখোয় তমহৌবা ঙমখি।

ঐহাক্কী ওইনসু কুমজা ১৯৭৮ দগীদি হুলা শিন্দমশঙনা শীনবা চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াবা হৌরকখ্রে। কুমজা ১৯৭৮ দা হুলা শিন্দমশঙনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা গদাগা চেম্পিয়নশিপ ইগজামীনেসন্দা ঐহাক সেকেন্দ পোজিশন তারকখি। মসিগী মথং কুমজা ১৯৮০ দা ইপা থৌকোক্না ওর্গেনাইজ তৌদুনা তৌখিবা মরাম নুংশেকপা খৌ (ট্রেদিসনেল স্পিয়র মুভমেন্ট) দসু অনীশুবা পোজিশন তারকখি। লোয়ননা কুমজা ১৯৮০/৮১ দা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিগী স্কোলরশিপ হোল্ডরসু ওইরকখি। কুমজা ১৯৮২ দা ইপাথৌকোক্না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা তা খৌশাবা কম্পিটিশন্দসু অহানবা মনা ফংলকখি।

কুমজা ১৯৮৪ দা দিরেক্টোরেট ওফ স্পোর্টস ফিজিকেল এদ্যুকেসন এন্দ য়ুথ সার্ভিসেস (গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর) না ওর্গেনাইজ তৌদুনা শীনখিবা ফর্ষ্ট ষ্টেট লেভেল মার্সেল আর্টস চৈবি ফাইটিং কম্পিটিশন্দসু অহানবা পোজিশন লৌরকখি। মসিগা ইরোইননা কুমজা ১৯৮৯ দগীদি ক্রিয়েটিভ থিএটর ৱার্কর ৱার্কশোপ কয়াদা থাঙ-তাগী ইন্সত্রক্টর অমা ওইনা শরুক য়ারকপগা লোয়ননা সার্টিফিকেটনচিংবা পীদুনা ঈকাই খুম্নবা উৎপসু হৌরকখি। ইশামক শান্ন-শান্ননা থৱায় য়াওনা হোৎনজরকপগী মপান্না অঙাংশিং তাকপী তম্বীবসু ঙল্লিঙৈদগী হৌরকখি। কুমজা ১৯৯১ দা সাই (ন্যু দেল্লি) না স্পোন্সর তৌরগা মণিপুর অন আর্ম মার্সেল আর্টস এসোসিএশন্না ওর্গেনাইজ তৌদুনা পাঙথোকখিবা তরেৎশুবা ষ্টেট লেভেল ইন্দিজেনিয়স মার্সেল আর্টস চেম্পিয়নশিপতা পাহুলাশি টিম কোচ ওইনা ঐহাক শরুক য়ারকখি। হায়রিবা চেম্পিয়নশিপ অদুদা পাহুলাসিগী নুপাগী কাঙলুপ্না টিম চেম্পিয়নগী মনা ফংলকখি।

-মথং-মথং

## ইদরগী এক্সত্রা টাইমদা চনখিবা গোলনা পোর্টুগলনা য়ূম্বু ফ্রেঞ্চপু মায়থীবা পীদুনা য়ুরো ২০১৬ কী টাইটল লৌখ্রে




সেন্ট দেনিস, জুলাই ১১ ঃ

সবষ্টিট্যুট ওইনা চঙলকখিবা ইদরনা এক্সত্রা টাইমদা চনখিবা গোলনা ফ্রেঞ্চনা মফম অসিদা চথখিবা য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ কী নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা য়ূম্বু ফ্রাঞ্চপু ১-০ দা মায়থীবা পীদুনা মখোয়গী অহানবা মেজর টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

মেচ অদুগী অহানবা হাফতা দিমিত্রি পায়েটনা অকনবা চেলেঞ্জ তৌখিবদগী ভিক্তিম ওইহৌরবা রোনাল্ডোবু ষ্ট্রেচরদা হাপ্পুনা ফিল্ডদগী পুথোকখি। অদুবু মহাক্কী টিম প্লেয়র ইদরনা এক্সত্রা টাইমগী মিনিট ১১ চৎপা মতমদা য়ার্দ ২৫ দগী শাংনা থাজিনখিবা বোল অমা য়ূম্বু ফ্রেঞ্চকী নেট মনুংদা চঙখিদুনা গোল চনখিবগা লোয়ননা য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়নশিপকী টাইটল লৌবা ঙমখি।

পোর্টুগলনা মায় পাকখিবা অসিনা ফ্রেঞ্চকা মায়োক্নদুনা শান্নখিবা ১০ রক্তা মায়থীখিবা অদু লোইশিনখি। ফ্রেঞ্চনা পোর্টুগলবু কুমজা ১৯৮৪ গী য়ুরোগী সেমী ফাইনেল, য়ুরো ২০০০ অমদি ৱর্ল্ড কপ ২০০৬ তা মায়থীবা পীরমখি।

মিনিট ৯০ চুপ্পা শান্নখিবা মেচ অদুদা টিম অমত্তনা মায় পাক্নবগী গোল চনবা ঙম্নখিদে। টিম অনীমক্না ০-০ দা লৈনখিবদগী এক্সত্রা টাইম হাপ্পুনা শান্নরকখি।

রেনাটো সাঞ্চেজগী মহুত্তা সবষ্টিট্যুট ওইনা মেচকী মিনিট ৭৮ দা চঙলকখিবা ইদরনা এক্সত্রা টাইমগী মিনিট ১১ চৎপা মতমদা মহাক্কী টিমগী মায় পাকপগী গোল অদু চনখি।

## বেদমিন্টন কোচশিংগী ওইবা এদ্যুকেসন প্রোগ্রাম হৌরগনি

ইম্ফাল, জুলাই ১১ ঃ

মণিপুরদা বেদমিন্টন মশান্নবু হেন্না চাওখৎহন্নবগীদমক মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিএশন্না হৌখিবা চহী খরসিদা নেসনল চেম্পিয়নশিপ্নচিংবা কয়া পাঙথোক্তুনা লাকখ্রবা মতুং বেদমিন্টনগী কোচশিংগী এদ্যুকেসন প্রোগ্রাম (লেভেল ৱান) হয়েংদগী দি এম কোলেজ কেম্পসতা লৈবা এম বি এগী হোলদা হৌদোক্লগনি।

হায়রিবা বেদমিন্টন কোচশিংগী ওইবা এদ্যুকেসন প্রোগ্রাম (লেভেল ৱান) অসি হয়েং নুংথিল পুং ৫ তাবা মতমদা হৌদোক্লগনি। প্রোগ্রাম অসি নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটকী ওইনা এম বি এনা য়ূম্বু ওইদুনা ইম্ফালদা অহানবা ওইনা পাঙথোক্কদবনি। হায়রিবা বেদমিন্টন কোচশিংগী ওইবা এদ্যুকেসন প্রোগ্রাম (লেভেল ৱান) অসি বেদমিন্টন এসোসিএশন ওফ ইন্দিয়া (বাই) গী স্পোন্সর মখাদা মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিএশন্না শিন্দুনা পাঙথোক্কদবনি।

প্রোগ্রাম অসিদা রিছোর্স পার্সন ওইনা ৱর্ল্ড বেদমিন্টন ফেদরেশন (দব্লিয়ু বি এফ) গী মীওইশিং লাক্তুনা বেদমিন্টনগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্কনি। হায়রিবা প্রোগ্রাম অসিদা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা ষ্টেট/য়ুনিভর্সিটিগী থাক্তা শান্নরুরবা বেদমিন্টনগী নেসনল প্লেয়র নৎত্রগা ফিজিকেল ত্রেনিংদা পি জি টি দিপ্লোমা নৎত্রগা এন আই এস দিপ্লোমা হোলদর পায়রবা মীওইশিংনা শরুক য়াগনি।

## শরাপোভা রিও ওলেম্পিক য়াওররোই

ব্রাসিলিয়া, জুলাই ১১ ঃ

টেনিস ষ্টার মারিয়া শরাপোভা লাক্কদৌরিবা রিও ওলেম্পিক্স গেমসতা শরুক য়াররোই হায়না মেদিয়া রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি।

রসিয়াগী টেনিস প্লেয়র মারিয়া শরাপোভা দোপিং পোজিটিভ ওইবগীদমক চহী অনী বেন তৌখিবদগী কোর্ট ওফ আর্বিট্রেসন ফোর স্পোর্টস (সি এ এস) কী দিসিজন্না থা অনী অমগসু শাংদোকখিবা মরম্না রিও ওলেম্পিক্সতা শরুক য়াবগী খুদোংচাবা লৈখিদবনি।

কোর্ট ওফ আর্বিট্রেসন ফোর স্পোর্টসনা মারিয়া শরাপোভাগী দোপিংদা চেন্নবগী কেস অসি সেপ্টেম্বর থা ফাওবদা শাংদোকখিবা অসি ইন্দিয়ন টেনিস ফেদরেশন (আই টি এফ) অমসুং মারিয়া শরাপোভা মশামক্না য়াজখ্রে হায়না সি এ এসনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্কী মথক্তা করম্বা ৱারেপ লৌরক্কদগে হায়বদু কুমজা ২০১৬ গী সেপ্টেম্বর ১৯ দা খঙলবা য়ানা লৈরি। মালেমগী মশক নাইরবী টেনিস ষ্টার মারিয়া শরাপোভা গ্রান্দ স্লাম টাইটল কয়া লৌদুনা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ফাওবা ওইরম্লগা শান্নরোয়নি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ – ১১

1. ক্রিকেট টেষ্ট মেচ অমদা হেদ ত্রিক অনী ফংখিবা অহানবা নিপা অদু কনানো?
2. অহাংবা মফম অসি করিনা মেনশিনগনি। শামু খূৎনা ফংনা পায়নদুনা ............... লেংফাই চল্লগা মুক্না শান্নসি।
3. নুপাগী ওলেম্পিক্তা লংলিবা দিস্কস অসিগী খ্বাইদগী থাবা মফমদি ময়াইদনি। মসি খ্বাইদগী হেন্না মিলিমিটর কয়া য়াম্না থাবা ফাওবা য়াবগে?
4. কাঙ শান্নবগী কাঙ কাপ্পদা ফল্লগা কাপ্পী। মতায়দা কাপ্লিবা শান্নরোয় অমনা মনুংগী কাঙখুল অমদা কাপ্পা চঙলক্লবদি মহাক করম্না ফমগনি?
5. **How Soccer explains world** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## ইন্দিয়ানা দিনামো ষ্টোরিটেলবু জুনিয়র হোকি মীটতা ৩-২ দা মায়থীবা পীখ্রে



য়েকাটারিবর্গ (রসিয়া), জুলাই ১১ ঃ

ইন্দিয়াগী জুনিয়র হোকি টিমনা মখোয়গী অনীশুবা গেমদা রসিয়াগী ক্লব দিনামো ষ্টোরিটেলবু মফম অসিদা চথরিবা ইয়ুর এসিয়া কপকী নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা ৩-২ দা মায়থীবা পীদুনা মায় পাক্না চঙশিনখ্রে।

ইন্দিয়াগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু গুরজান্ট সিংহনা মেচকী মিনিট ৩০, দ্রেগ ফ্লিক্কর বরুন কুমারনা মেচকী মিনিট ৫৩ অমসুং পরবিন্দর সিংহনা মেচকী মিনিট ৬০ চৎপা মতমদা গোল অমমম চনখি।

মেচ হেক হৌখিবগা ইন্দিয়ানা অয়াম্বা মতমদা বোল পায়দুনা শান্নরকখি। অদুবু গোল চনবা য়াবা খুদোংচাবশিং ফংখ্রবসু গোল ওন্থোকপা ঙমদনা অথেংবা মতম ফাওবা লৈখি।

দিনামোনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা অকনবা প্রেসর পীদুনা চঙশিল্লকখিবা প্লেদা থংনা থংননা পেনালটি কোর্নর অনী ফংবা ঙমখি। ফংখিবা পেনালটি কোর্নর অনী অদু গোল ওন্থোকখিদুনা স্কোর লেভেল মান্ননা চৎখি।

মেচকী হাফ থাগদবা মতম কুইশিল্লক্ত্রবা মিনিট ৩০ চৎপা মতমদা গুরজান্টনা গোল অমা স্কোর তৌদুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি। সেকেন্দ হাফ হেক হৌখিবা ইকুই কুইদনা দিনামোনা ফংখিবা পেনালটি কোর্নরদা মেচকী মিনিট ৪৩ চৎপা মতমদা সেমেন মাটকোস্কিনা গোল চনশিনখি। অমদি অনীশুবা গোল অদুনা মেচকী মিনিট ৪৬ চৎপা মতমদা এল মিখেলনা গোল অমগা চনশিনখি।

ইন্দিয়ানা কাউন্টর এটেক তৌদুনা দিনামোগী মায়কৈদা চঙশিনখিবা প্লেদা বরুননা মেচকী মিনিট ৫৩ চৎপা মতমদা পেনালটি কোর্নরদা গোল অমা চনশিন্দুনা টিম অনীনা ২-২ দা লেভেল মান্ননা লৈখি।

ইন্দিয়ানা মখা তানা মায় পাক্ন নবগীদমক চঙশিনখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ৬০ চৎপা মতমদা পরবিন্দরনা গোল অমগা চনশিন্দুনা মেচ অদু মায় পাকখি। ইন্দিয়ানা মেচ অসি মায় পাকখিবগা লোয়ননা কপ অসিদা অনীরকশুবা ওইনা মায় পাকখ্রে।

পনবা য়াই, থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা অহানবা মেচতা ইন্দিয়ানা দিনামোবু ৩-১ দা মায়থীবা পীখি।

মেচ অদুদা ইন্দিয়ানা চঙশিনখিবা এটেক অমদা টেক্নিকেলগী অশোয়বা লৈখিবদগী ষ্ট্রোক অমা ইন্দিয়াগী ফেব্বরদা মেচকী মিনিট ৪৪ চৎপা মতমদা রেফ্রিনা পীখি। ষ্ট্রোক অদু ইন্দিয়াগী বারুন কুমারনা অশোয়বা অমত্তা য়াওদনা দিনামোগী গোল পোষ্ট মনুংদা কনশিনখিদুনা গোল ওন্থোক্তুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি।

মখা তানা ইন্দিয়ানা দিনামোগী মায়কৈদা তৌখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ৪৫ চৎপা মতমদা সিমরঞ্জিৎ সিংহনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ২-০ দা অমুক মাঙজিল থানা লৈখি।

ইন্দিয়ানা মথং মথং গোল চনখিবগী মুদ লৈখৎলকপা মতম অদুদা অমুকসু হন্না বিক্রমজিৎনা অহুমশুবা গোল অমা মেচকী মিনিট ৫৩ চৎপা মতমদা চনশিন্দুনা ৩-০ দা মার্জিন ৱাংনা মাঙজিল থানা চৎখি।

দিনামোনা হনবা লৈতনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা তৌখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ৫৯ চৎপা মতমদা এল আলেকজেন্দরনা ফিল্ড গোল অমা চনশিন্দুনা ইক্বেলাইজ তৌখিবগা লোয়ননা ১-৩ দা মায়থীহৌখি।

## বিরেন্দ্র লক্রা রিও ওলেম্পিক্তা য়াওরোইদৌরি

ন্যু দেল্লি, জুলাই ১১ ঃ

ইন্দিয়াগী য়াম্না হৈশিংলবা দিফেন্দর বিরেন্দ্র লক্রা লাক্কদৌরিবা রিও ওলেম্পিক্সতা মহাক্কী মখুউ শোকখিবা অদু নীংথিনা ফগৎপা ঙমদনা মরম্না শরুক য়ারদবা য়ানা লৈরি।



হৌখিবা থা ৪ রোম অসি মহাক্কী মখুউ শোকপদগী সর্জরি তৌখ্রবা মতুং মহাক্কী ফিটনেস লেভেল অসি নিংথিনা ফবা ওইদবা মরম্না রিও ওলেম্পিক্সক্তা য়াওরোইদৌরি। মশাগী চহী ২৫ শুরবা বিরেন্দ্র লক্রা মহাক্কী য়েৎ থংবা খুউগী লিগামেন্টতা হৌখিবা ফেব্রুৱারী থাদা দবাং মুম্বাই অমসুং রাঞ্চি রেজ অনীগী মরক্তা শান্নখিবা হোকি ইন্দিয়া লীগকী মেচতা শোকখিবদগী মহাক্কী মখুউ সর্জরি তৌখিবনি।

মহাক্কী খুউগী লিগামেন্টতা শোকখিবা (এ সি এল) অসি ফগৎপদা চাউরাক্না থা ৪ নৎত্রগা ৫ দি চঙগনি হায়না অখঙ অহৈশিংনা ফোঙদোক্লি।

রিও ওলেম্পিক্স মতমদা মহাক্কী অশোকপগী ফীভম নিংথিনা ফগৎলবসু ইন্দিয়নগী স্কাদ লাউথোক্কদবা নোংমা নিনি খক্তা ঙাইরবা মরম্না মহাক্কী মমিং অসি ইন্দিয়ান স্কাদতগী লৌথোকপা য়ানা লৈরি।





HL-B/3127/7/6-6/7

লেংশিনবিরকউ/
হুইয়েন লানপাউগী
অনৌবা ওফিস
কৈশাম্পাৎ চূড়াচান্দপুর পার্কিং মনাক
খুদোংচাবা লৈগনি
- প্রেস রিলিজ
- ঈ-পাউগা মরী লৈনবা ফোটো
- আর্টিকল
- এদভটিজমেন্টনচিংবা পীশিনবা য়াগনি।

ওফিসকী মতম :
অয়ুক পুং ১০দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা
হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্স







HL-B/3157/29/06-28/07